# মণিপুর ষ্টেট লীগ : এস এস য়ুনা দি এম রাও, রাওনা য়ু কে বি মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথৱরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেটলীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এসএসয়ু) শীংজমৈ অমদি রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন (রাও) লাইরিকয়েংবম লৈকাই মায় পাকখ্রে।

লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শীংজমৈনা দিমাপুর রোদ এথলেটিক ওর্গনাইজেসন (দি এম রাও) অৱাং সেকমাইবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস এস য়ুগী চিংঙাংবম জোন্সননা শান্নবা হৌরকপগী ৯শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং বোনিসন নোংমাইথেমনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং অহানবা হাফ লোইরমদাই মৈনম অরিফ হুসেননা শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা এস এস য়ুগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মখা তাবা টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী এস এস য়ু শীংজমৈনা দি এম রাওবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা রেফরি টি রঞ্জিতানা সেকমাইগী খাঙেম্বম বিশ্বমিত্রা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা অদুগা এস এস য়ুগী নিংঙোম্বম কবিরাজ অমদি অবুজম ননাও শান্নবগী ৩৯ অমদি ৭৯ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা য়ুনাইটেদ খোজিম ব্রদর্স (য়ু কে বি)পু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙাঙোম জিতেননা রাওগী মায় পাকপগী গোল অনীমক চনবা ঙমখি। মহাক্কী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৭শুবা মিনটতা চনখি অদুগা অনীশুবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মহাক রেফরি ইবুংঙো নিংথৌখোংজমনা অনীশুবা হাফ হৌরকপগী শান্নবগী ৪৬ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি। রেফরিনা মখা তানা য়ু কে বিগী জেসি লালনুন্টলুংবুসু শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

লীগ অসিগী মখা তাবা মেটচ সেপ্টেম্বর ৫দগী হৌদুনা শান্নরগনি। নুমিৎ অসিমক্তদা মেটচ অনী লৈগনি। অহানবা মেটচতা গ্রুপ এগী মুভানলাই এথলেটিক অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব নুংথিল পুং ১দা অদুগা অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ বিগী গাঙম সেক্কর ক্লব অমদি কে আই ৱাই সী শান্নরগনি।

# দুরান্দ কপ : ওরিষ্যা এফ সী, বেঙ্গলুরু মায় পাকখ্রে

IndianOil DURAND CUP SINCE 1888 131st EDITION



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন আর্মিনা শীন্দুনা চথৱরিবা ১৩১ শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা মেটচতা ওরিষ্যা এফ সী অমদি বেঙ্গলুরু এফ সী মায় পাকখ্রে।

ওরিষ্য এফ সীগী ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ দিগী টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে। কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মেটচ অনী শান্নবদা মেটচ ১ দ্রো ওইরগা ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ১ ফংলগা টেবলগী ৪শুবা মফমদা লৈরি।

বেঙ্গলুরু এফ সীনা মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ এগী টেবলগী অনীশুবা অদুগা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায়থীদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা টেবলগী ইরোই লোইবদা লৈরি।

গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধী এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা ওরিষ্যা এফ সীনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবদা আইজাক ভনমালসোমানা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা ওরিষ্যাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা সোল ক্রেস্পো পেদ্রোনা শান্নবগী ৭৩ শুবা মিনটতা ওরিষ্যাগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা কেরলাগী মোহমদ অজারবু শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, কোলকাটাগী কিশোর ভারাতি ক্রিরঙ্গনদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা বেঙ্গলুরু এফ সীনা ইন্দিয়ন এয়রফোর্স ফুটবোল টিমবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

রোই কৃষ্ণনা শান্নবা হৌরকপগী ৯শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরুগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। সুনিল ছেত্রিনা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরুগী অনীশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সপু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা ফাইসাল এনা শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরুগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। নরায়ন শিভনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা বেঙ্গলুরুগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনখিবনি।

## এল মেমচা সুপর দিভিজন লীগ

# নিরঞ্জনগী গোলনা এস ৱাই দি এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস):
এম নিরঞ্জননা অথেংবদা চনখিবা গোল ২ অমদি ঐচ রোনাল্ডোনা শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা এস ৱাই দি এ অথোকপমনা দি য়ু সী চরাংপাৎপু ৩-২দা চথৱরিবা এল মেমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

নিরঞ্জনগী গোল ২ অদুনা শান্নবগী ৩৫ অমদি ৬৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। চরাংপাৎকী গোলশিং অদুনা টি ঐচ বর্লিননা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা অদুগা এস জোলিনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দি সী খোইরোমনা এ এস এস এ সঙ্গাইয়ুম্ফমবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

খোইরোমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস গোভিনচন্দ্রনা শান্নবগী ৫ অমদি ৫৬ শুবা মিনটতা গোল ২ অমদি কে ঐচ বির্জিৎনা শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

বাবুর রিয়ান অমদি অন্সর আলমনা সঙ্গাইয়ুম্ফমগী গোল ২ অদু চনবা ঙমখিবনি।

# বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড : সাইনা নেহৱাল প্রি ক্বার্টর চঙখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):
লন্দন ওলিম্পিককী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট শট্লর সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা ৱিমেন্স সিঙ্গলকী ওপনিং রাউন্দ মেটচতা হোং কোংগী চিয়ুং ঙান য়িবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সাইনানা মিনট ৩৮ চুপ্পা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ঙান য়িবু ওপনিং রাউন্দদা ২১-১৯, ২১-৯দা মায়থীবা পীখি। চহী ৩২ শুরবী সাইনাগী অনীশুবা রাউন্দগী ওপোনেন্ট নোজোমি ওকুহারা অশোকপনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট অসিদগী তোকখিবদগী বাই ফংদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলস প্যের ত্রিসা জেলি অমদি গয়াত্রি গোপিচান্দসু মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মালেসিয়াগী য়িন য়োন লো অমদি ভেলেরি সিওগী প্যেরবু ২১-১১, ২১-১৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপীগী নহা ওইরিবা অস্বিনি ভাট অমদি শিখা গৌতমগী প্যেরনা ইটলিগী মার্টিনা কোর্শিনি অমদি জুদিথ ম্যেরবু ২১-১৮, ২১-১৪দা মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

# প্রেমিয়র লীগ : মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা লিভরপুল থোইখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি ওল্ড ট্রেফোর্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা লিভরপুলবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা শান্নবা হৌরকপগী ১০ শুবা মিনটতা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা ইলঙ্গানা শাফূ কন্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা গোল পোষ্টতা পান্দুনা অরেম্বা তাখি।

ইলঙ্গানা পুশিল্লকখিবা বোল অমা লিভরপুলগী ইরিকসেনগা ৱান-টু-ৱান পোজিসনদা লৈরবা মতুং ওইরোমদগী মখাদা খায়রকখিবা বোল অমা জেদন সেঞ্চোনা নীংথিনা বোক্সকী সেন্টরদা ফারবা মতুং কাওশিল্লকখিবা বোল অমা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ১৬ শুবা মিনটতা য়ুনাইটেদকী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা লিভরপুলবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা য়ুনাইটেদকী কাউন্টর এটেক অমদা মার্কস রেসফোর্টনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনখি।

মেটচ লোইরমদাই লিভরপুলগী অলেকজেন্দর-আর্নোল্ডনা কাওরকখিবা কোর্নর কিক অমা কর্বালহোনা থুনা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা য়ুনাইটেদকী কিপর দি জিয়ানা ঙাকথোরকপদগী থক্তোরকপা বোল অদু মহমদ শালানা পোষ্ট ময়াদগী হেদিং তৌশিন্দুনা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৮১ শুবা মিনটতা লিভরপুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি।

# সী এমনা ষ্টেট ওলিম্পিক গেমসকী শেম শারিবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ) অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী লমজিং মখাদা থা অসিগী ২৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা মণিপুর ষ্টেট ওলিম্পিক গেমস ২০২২গী শেম শারিবশিংগী মতাংদা ঙসি সী এম সেক্রেটরিএটতা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা খন্ন-নৈনখ্রে।

খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম; এম ও এগী প্রসিদেন্ট ডা. থোকচোম রাধেশ্যাম; ৱাঙ্খেগী এম এল এ, টি ঐচ অরুনকুমার; দি জি পি, পি দোঙেল; য়াসকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এস এস ছাব্রা, কম্মিস্নর বোবি ৱাইখোম; ট্রান্সপোর্ট দিরেক্টর ডা. নিভেদিতা লাইরেনলাকপম; ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী, টি ঐচ কিরনকুমার; ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী খুমন্থেম দাইনা; আই পি আরগী দিরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণ; য়াসকী দিরেক্টর টি ফুলেন; এম ও এগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং অমদি কম্মিটিগী কনভিনরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টরনা অনীশুবা মণিপুর ষ্টেট গেমস ২০২২গী মাসকোট ওইরিবা ষ্টেট বর্দ নোংইনগী মায়খুম হাংদোকখি।

গেমস অসিগী ওপনিং সেরেমোনি থা অসিগী ২৬তা মপান কাংজেবুংদা অদুগা ক্লোজিং সেরেমোনিনা থা অসিগী ৩০দা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ ৫নি চথুগদবা গেমস অসিদা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তগী লাকপা স্পোর্টসপর্সন ৬,০০০না তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিন ৩৪দা অথোই-অহেন তান্নগনি।

পনবা য়াবদি, অহানবা মণিপুর ষ্টেট ওলিম্পিক গেমস অসি ১৯৮৮দা পাঙথোকখিবনি।

# ষ্টেটকী এথলিটশিংনা আই এফ বি বি চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াবা য়ারগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস):
কির্গিষ্টানগী বিশকেকতা সেপ্টেম্বর ২দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এফ বি বি এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ, আই এফ বি বি এলিট প্রো ক্বালিফায়র অমদি ৱান দিগ্রী ফিটনেস চেলেঞ্জ কপ অমসুং স্পেনগী সেভিয়াদা সেপ্টেম্বর ১৬তগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এফ বি বি আর্নোল্ড ক্লাসিক য়ুরোপ অমদি ফিটনেস স্পোর্টস ইভেন্টতা শরুক য়ানিংবা ষ্টেট অসিগী বোদি বিল্ডর্স অমসুং ফিটনেস এথলিটশিংনা আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি ঈ ইনাও (৯৭৪৯১১৩১৮৬) অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরি ও প্রেমকুমার (৯৬১২৩৪৬৩৩২)দা অথুবদা পাউ ফাওরক্নবা আই বি বি এফ এফ মণিপুরগী য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি ঈ ইনাওনা খঙহল্লক্লি।

# মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন মণিপুর য়ুনিটকী লমজিং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসননা শীন্দুনা ২২শুবা ষ্টেট লেভেল মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট ২০২২ চহী অসিগী নভেম্বর ২০দা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ উশারঞ্জননা খঙহল্লক্লি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৮৮৩৭৪৫৫৯৬১, ৭০০৫৮০০১৩১, ৯৮৬২০৩৮৭৪৫ দা পাউ ফাওরক্তুনা খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

## এস বিরেন্দ্র সুপর দিভিজন লীগ

# এস এফ সীনা ৱাই দি ও মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথৱরিবা ২২শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস এফ সী তেরানা ৱাই দি ও লমদোংবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এন শিভাশ অমদি এন রোশননা শান্নবগী ৮০ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনবা ঙমখি। লমদোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লালজাহাওনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি এস ঐচ সুরেশনা ৱাই দি ওগী এন ওলেন শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। মহাক্কী অহানবা য়েলো কার্দ অদুনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা বূক তৌখিবনি। রেফরিনা এস এফ সীগী কোচ বিওন্দি য়াওনা শান্নরোয় ৪ মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখিবনি।

## সাউথ এসিয়ন ওল স্পোর্টস গেমস চেম্পিয়নশিপ

# ইন্দিয়ানা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস):
ভুটাননা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২০ অমদি ২১দা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন ওল স্পোর্টস গেমস চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৩৫, সিলভর ৬ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৬৩ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তাবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা নেপালনা ওভরওল টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।



ষ্টেট অসিগী নুপী ১৭ অমদি নুপা ১৮ পূন্না শান্নরোয় ৩৫না শরুক য়াবদা বেল্ট রেষ্টলিং মশান্নদা গোল্ড ১০, সিলভর ১; কিক বোক্সিং মশান্নদা গোল্ড ১০, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ১; কুংফুদা গোল্ড ৮, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ১; কারাটেদা গোল্ড ৪, সিলভর ২; জিটকুনে দোদা গোল্ড ৩ ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়া টিম অসিগী কোচ ওইনা শীংজমৈ চীংঙা মথক্তগী গ্রান্দমাষ্টর এন জি জিট খুমনচা (রোমেশ)না শরুক য়াখিবনি।

Escent Institute of Paramedical Sciences & Skill Development

POST VACANCY
We are hiring!

ESCENT INSTITUTE OF PARAMEDICAL SCIENCES & SKILL DEVELOPMENT

| Position | Department | Qualification | Remuneration | No. of Vacancies |
|---|---|---|---|---|
| LECTURER | Medical Laboratory Technology (MLT) | B.Sc. MLT & Above | Negotiable | 02 |
| LECTURER | Opthalmic Technology (OPT) | B.Sc. OPT & Above | Negotiable | 02 |
| LECTURER | Physiotherapy (PT) | B.Sc. PT & Above | Negotiable | 02 |
| LECTURER | Radio Imaging Technology (RIT) | B. Sc RIT & Above | Negotiable | 02 |
| GUEST LECTURER | Computer | BCA & Above | Negotiable | 01 |
| COOK | F & B | Experienced Preferred | Negotiable | 02 |

+91 8798 991 710
/EscentDiagnosticsCentre
EscentMedicare@gmail.com

YOU CAN SUBMIT YOUR UPDATED RESUME AT THE HEAD OFFICE

Escent Diagnostics Pvt. Ltd.
A promise to care
Nongmeibung Purana Rajbari, Imphal East, Manipur 795005
Regd. No.: MNHCR/NO/096/DC/2012
NABL Accredited MC-2635

HL-P/3658/12/8-12/9

Resonance®
Educating for better tomorrow

ENROLL NOW

2nd BATCH
1 Year Regular Course for
NEET/JEE (Main+Advance)
Target-2023

Eligibility:
12th Passed & Appearing Students

COMMENCING FROM 1ST SEP. 2022

Office Hours -
10:00 am to 7:00 pm.
Nachom Edu Foundation

- 6 hours class daily
- Test series from Resonance Kota
- Classes from best faculties from Resonance Kota.


For more details
9402979552 / 8794961535

STUDY MATERIALS FROM RESONANCE KOTA RAJASTHAN

3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001

HL-B/7717/21/8-31/8

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 552

**WCM Deva Estevez Sacristan (1947) - J Gonzalez Pabollet (1788)**
**8th Oviedo Open 2022 Oviedo ESP, 2022.07.22**

1.e4 c5 2.Nc3 e6 3.Nf3 Nc6
4.d4 cxd4 5.Nxd4 Nf6 6.g3 Nxd4
7.Qxd4 b6 8.Nb5 Bc5 9.Qd3 a6
10.Nc3 Ng4 11.Be3 Nxe3 12.fxe3 Qg5
13.Kd2 Bb7 14.Bg2 O-O 15.Rae1 a5
16.Kc1 Ba6 17.Qd2 Rac8 18.a3 Qe5
19.Nb1 Rfd8 20.h4 Bb7 21.h5 h6
22.Rh4 Be7 23.Rf4 Bg5 24.g4 Bxf4
25.exf4 Qc5 26.g5 d5 27.e5 hxg5
28.fxg5 Rc7 29.Bf1 d4 30.Bd3 Rd5
31.b4 axb4 32.axb4 Qe7 33.g6 f5
34.exf6 Qxf6 35.Rf1 Qg5 36.Rf4 Qxh5
37.Qf2 Rd8 38.Rh4 Qg5+ 39.Kb2 e5
40.Bc4+ Bd5 41. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 551 Ans. :**
28. ...Qxg1+ The black queen decoys White's king.
29. Kxg1 Rh6 Mating net 30. a3 Rh1# Opera mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com